**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 27-01-2025)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২৭-০১-২০২৫, নিংথৌকাবা)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা হৌখিবা চহী ১০ রোম অসিদা ভারত অসি শিংথানিঙাই ওইনা চাউখৎলক্কুনা শেন্মিৎলোনদা মালেমগী মরি শুবা মফমদা লৈবা ঙম্লে।

২) রানি গাইদিনলিউনা ভারত নিংতম লাঞ্জংদা লৌরম্সা থৌদাংশিংবু মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

**অমসুং**

৩) নিউ দেল্লিদা ঙরাং পাঙথোকখিবা ৭৬ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালনদা লৈবাক অসিগী মিলিটরিগী তৌবা ঙম্বা শক্তীশিং অমসুং ইনাক খুল্লবা কয়া সংস্কৃটিশিং উৎখ্রে।

**সিএম(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা হৌখিবা চহী ১০ রোম অসিদা ভারত অসি শিংথানিঙাই ওইনা চাউখৎলক্কুনা শেন্মিৎলোনদা মালেমগী মরি শুবা মফমদা লৈবা ঙম্লে।

লৈবাক অসিগী ৭৬ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালনগা মরি লৈননা ঙরাং ইম্ফালদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিবু অমত্তা ওইনা পুন্না চাউখৎমিন্নবা ৱাখল্লোনগী মখাদা থবক তৌরকপদগী

খোংজেল য়াংনা চাউখৎলক্তুনা অসিগুম্বা থাক অসি য়ৌরকপা ঙমখিবনি। হৌজিকসু মখা তানা কন্না হোৎনদুনা শেন্মিৎলোনদা মালেমগী ৩ শুবা লৈবাক ওইনবা লেপ্পা লৈতনা চংশিল্লি। মহাকা হায়-ঙাকশেলগী লমদা থাদবা শেনফমশিংগী চাদা ৭০-৮০ রোমদি মীরমদগী ঙাকশেলগা মরি লৈনবা পোৎলমশিং লৈবদা চাদিং তৌরম্মী । অদুবু, হৌজিক্তী প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা ভারত অমা ওইহন্নবা অকনবা থবক লৌখৎলকপদগী ঙাকশেলগী লমদা চাউনা অহোংবা লাক্তুনা ঙাকশেলগা মরি লৈনবা পোৎলমশিং মীরৈবাক্তা য়োনবা ঙম্বা মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুং চনবা ঙল্লে। মহাকা হায়-স্পেসকী লমদা মালেমগী ওইনা মাংজিল থানা চৎলিবা লৈবাক অহুম মরিগী মনুংদা ভারতসু মনুং চনবা ঙল্লে। মসিদা নত্তনা লায়েংবা ঙমজদ্রবা অনাবশিংদা লায়েংনবা, য়ুম শাবা ঙমদ্রবশিংগীদমক য়ুম শানবা অমসুং মহৈ তম্বা ঙমজদ্রবা মহৈরোইশিংগী মহৈ তম্বা ঙমহন্নবা থৌশিল থৌরাং কয়া পায়খৎলি। অসিগুম্বা থবক থৌরম কয়া অসিনা ভারতপু মালেমগী সুপর পৱর লৈরবা লৈবাক অমা অথুবা মতমদা ওইরক্লগনি হায়বসি মহাক্কী থাজবনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

**--সাউন্দ বাইট--সিএম**

**গাইদিনলিউ(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-রানি গাইদিনলিউনা ভারত নিংতম লাঞ্জংদা লৌরম্বা থৌদাংশিং থোইদোকা থাগৎনিঙাইনি।

রানি গাইদিনলিউগী ১১০ শুবা মপোক কুমওনগা মরি লৈননা ঙরাং ইম্ফালগী মন্ত্রি পুখ্রিদা লৈবা রানি গাইদিনলিউ পার্কতা চত্তুনা লুচিংবী অসিগী মীতমদা মুখ্য মন্ত্রিনা লৈ কত্তুনা ইকাই খুমবা উৎখি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-রানি গাইদিনলিউনা বৃটিশকী মখুত্তগী নিংতম্বা ফংনবা লান্থেংনরম্বতা নত্তনা মহাক্কী

ফুরুপকী মীয়ামগী নাৎ অমসুং চৎনবীশিং ঙাক্তুনা থমবা থবক কয়াসু পায়খৎলমখি। লুচিংবী অসিনা পামজরম্বা ৱাখল্লোনশিং ঙাকা চত্তুনা হেন্না ফবা খুন্নাই অমা শেমগৎমিন্নরসি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

**চান্দেল(এল)ঃ** চান্দেল জিলাদা ঙরাং গনতন্ত্র দিবস পালনগা লোয়ননা মীয়ামগী নুমিৎ মাই পাকা পাঙথোকখিবগীদমক মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনদা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট ৪৩ গী স্তোলশিং হাংদোক্তুনা মীয়ামগী তঙাইফদবা সার্ভিসশিং ফংহনখিবা থৌরম অদু থোইদোকা থাগৎনিঙাইনি। সরকারনা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং মীয়ামদা নিংথিনা ফংহন্নবা হোৎনবদা চোথবা লৈতনা থৌদাং য়ারিবা সরকারগী ওফিসিএলশিংবুসু মুখ্য মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, সি.এম ইকোনোমিক রিভাইভেল টিমনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চত্তুনা মীয়ামগী শেন্মিৎলোন ফগৎহন্নবা হোৎনরিবা থৌদাংশিংবুসু মুখ্য মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোঙদোকখি। দিনা ওইনামনা লূচিংবা টিম অসিগী মীহুৎ কাংবু অমনা ইন্ফাল ইষ্টকী পাঙ্গৈ য়াংদোংদা লাক্তুনা হৈ-রা লীদুনা থমবগী মতাংদা মীয়ামদা তাকপী তন্বীবগীদমক মফম অদুগী মীয়ামা থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

**--সাউন্দ বাইট--পাঙ্গৈ**

**ককচিং(এল)ঃ** ককচিংগী এম.এল.এ ময়াংলাংবম রামেস্বরনা হায়রি-লৌমী মায়ামা চখোক চৎশিন তৌনরিবা খুঙ্গংগী লম্বী থোংশিং নিংথিনা শেমগৎপা হায়বসি মহাক্কী অচেৎপা ফীরেপ অমনি।

ককচিং কেন্দ্রগী মনুংদা লৈবা উয়া লম্বী কোইলাস থাবগী থবক য়েংশিনবা

চৎপদা এম.এল.এনা পাউমীশিংদা হায়-কিলোমিতর ৪ খরা হেন্না শাংবা লন্বী অসি খুঙ্গং কয়া ফাউদুনা চৎলিবা লৌউ শিংউগী য়ামা মরুওইবা লন্বী অমনি। সহরগী লমদা লন্বী থোংশিং ফনা লৈবগুম, লৌমী শিন্মীনা মপুং ওইনা চৎচবা খুঙ্গংগী লন্বীশিংসু শেমগৎকদবনি হায়বা ৱাখল্লোনগী মখাদা মহাকা উয়া লন্বী অসি কোইলাস থাদুনা নিংথিনা শেমজিন্নবা মরি লৈনবশিংদা তকশিন্দুনা লাকপদগী অয়াবা পীরক্তুনা লন্বী অসি শেমজিনবা ঙন্বদা য়ামা নুঙাইবা পোকই। খুঙ্গংগী লন্বী থোং শেমগৎনবা হোৎনবদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা অমসুং ৱার্কস মন্ত্রি গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা মতেং পাংবীবগীদমকসু শ্রী রামেস্বরনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

**--সাউন্দ বাইট--রামেস্বর**

**ইংবা (এল)ঃ** মণিপুরদা নুংথিলগী মতমদা খর শারবসু অয়ুক অমসুং নুমিদাংগী মতমদদি কা-হেন্না ইংবা ফীভম অদুমক মায়োকরি। রাজ্যগী এনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ দাইরেক্তোরেটনা থাদোরকপা ৱেদর রিপোর্টকী মতুং ইন্না সেনাপতি জিলাদা ইংবগী চাং সেসিয়স দিগ্রি ৪.৫৬ য়ৌরে। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা ইংবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৬.৪৫ অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদনা ৭.৫৯ য়ৌরে। উখ্রুল জিলাদসু ইংবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৪.৭৮ য়ৌরে হায়রি।

**কনফরেন্স(এল)ঃ** নোনে জিলাগী নিউ কবুই খুলেনদা চংখরকপা হনপুই নাগা বেপটিস চর্স এসোসিএসনগী অহুম শুবা নুপীশিংগী মীফম হৌখিবা অহিংদা লোইশিনখ্রে। লোইশিনবগী থৌরম অদুদা, কোয়র সোং কম্পিটিসন অমসু পাঙথোকখি হায়রি।

**চান্দেল(এল)ঃ** চান্দেলগী দিষ্ট্রিক্ট ত্রান্সপোর্ট ওফিসনা জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং এস.পি ওফিসকা খূৎশমদুনা ঙরাং রোদ সেফটিগী মতাংদা মীয়াম্বু ৱাখল তাহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। ৩৬ শুবা রোদ সেফটি মন্থকী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লন্বী চৎপগী নিয়মশিং ঙাকা চৎনবা অমসুং লন্বীগী খুদোংথিবা থৌদোকশিংগা মরি লৈনবা স্কিমশিংগী মতাংদা অখঙ অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি।

**ডেঃ** নিউ দেল্লিগী কর্তবায়া পার্কতা পাঙথোকখিবা ৭৬ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালনদা লৈবাক অসিগী মিলিটরিগী তৌবা ঙম্বা শক্তীশিং অমসুং ইনাক খুল্লবা কয়া সংস্কৃটিশিং উৎখ্রে। রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা জাতিগী মচু অহুমগী ফীরাল পাইহনবগা লোয়ননা ৱান জেরো ফাইভ এম এম লাইট ফিল্ড গন শিজিন্নদুনা নোংমৈ ২১ রক কাপ্তুনা গন সেলুট পীবগা লোয়ননা পালন থৌরম অদু হৌদোকখি। থৌরম অদুদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা কলচরেল আর্টিস ৩০০ লোমা উৎখিবা কলা সংস্কৃটিগী থৌরমশিংনা মীয়ামগী পুকিং শুমহৎখি। নোংথক্তগী এম.আই সেভেন্তিন-ৱান ভি হেল্লিকোপ্তরশিংনা নোংথক্তগী লৈ চাইথরক্তুনা পালন থৌরম অদু অমুক্কা হেন্না মপুং ফাহনখি। থৌরম অদুদা, টি-নাইন্তি বিস্মা তেঙ্ক, বি.এম.পি-টু য়াওবা নার্গ মিসাইল সিস্তেম, পিনাকা মল্টি লোঞ্চর রোকেট সিস্তেম, অগিবন মল্টি বেরেল রোকেট লোঞ্চর, অকাশ ৱিপন সিস্তেম অমসুং ইন্টিগ্রেতেট বেতল ফিল্ড সর্ভিলেন্স সিস্তেম য়াওনা তোঙান তোঙানবা শক্তী লৈরবা লানগী খূৎশু খূৎলাই কয়া উত্তুনা লৈবাক অসিগী তৌবা ঙম্বা শক্তীশিং মালেমগী মীয়ামদা খঙহনখি।

**--পাউ লোইজরে--**

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

রিপল্লিক ডেগী ঙরাং ইম্ফালদা প্রেস ছুটি লৈখিবদগী ঙসি অয়ুক ইম্ফালদা ফোঙবা পাউচে অমত্তা ফোঙনদ্রে, অদুম ওইনমক চীংগী জিলা খরদা ফোঙবা পাউচেশিংদি মহৌশাগুম অদুমক ফোঙনরি।

তামেংলোংদা ফোঙবা গানফিউ মেলদা-দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শিন্দুনা৭৬ শুবা রিপল্লিক ডেগী থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউ অমা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি। মণিপুর গভর্ণমেন্টনা ইন্টিগ্রেতেদ এন্টি এক্সতোর্সন সেল হোংদোকখিবগী পাউ অমসু পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

তামেংলোং তাইমসতা-ৱার্ল্ড ৱেটলেন্দ ডে ২০২৫ গা মরি লৈননা ‘প্রোতেক্তিং ৱেটলেন্দস ফোর আৱর কমন ফিউচর’ হায়বা হীরমদা তামেংলোং কোলেজনা শিন্দুনা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি। পাউচে অসিমক্তদা ১৫ শুবা নেসনেল ভোতর্স ডেগা মরি লৈননা ‘নথিং লাইক ভোতিং, আই ভোট ফোর সিয়োর’ হায়বা হীরমদা ইলেক্সন এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখিবগী পাউ অমা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

সেনাপতিদা ফোঙবা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা-জিলা অসিদা ৭৬ শুবা রিপল্লিক ডেগী থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি। পাউচে অসিমক্তদা, অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা পাঙথোকপা লৈখিদ্রবা লেফটনেন্ট কর্নেল রোবার্দ টি.এ.ওপন ফুটবোল টরনামেন্টকা মরি লৈননা মাউদগী মরাম ফাওবা বাইক রেল্লি অমা পাঙথোকখিবগী পাউ হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।